

# সনালৈবাক স্পোর্টস





*ইন্দিয়াগী প্রেমিয়র লীগ ক্রিকেট টুর্নামেন্টতা মশাগী চহী ১৭ কা নুমিৎ ১১ নি শুরগা কিংস এলভেন পঞ্জাবগী মায়কৈদগী শরুক য়ারকখিবা খ্বাইদগী নহা ওইবা শান্নরোইগী রেকোর্দ থম্বা ঙমখ্রবা আফগানিস্থান মচা মুজিব জাদ্রান*

*কম্মনৱেল্থ গেমসকী বেদমিন্টন মিক্স টিমগী সেমি ফাইনেলদা সিঙ্গাপোরগী জিয়া মিন য়িওবু নুপীগী সিঙ্গলস মেটচতা ২১–৮, ২১–৫ দা থোইদুনা ইন্দিয়াগী টিম ফাইনেল য়ৌহনবদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবী সাইনা নেহৱাল*

## ইন্দিয়াগী নুপীগী টেবল টেন্নিস টিম্না মমাঙগী চেম্পিয়ন সিঙ্গাপোর মায়থিবা পীদুনা গোল্ড ফংখ্রে, সুট্টিংদা মনু ভাকরনা মিটর ১০ গী এয়র পিষ্টোলদা মকোক ওইখ্রে, ৱেঠলিফটিংদা নুপী লিফটর পুনম যাদব গোল্ড মেডল ফংখ্রে

*গোল্ড কোষ্ট, এপ্রিল ০৮ঃ*

কম্মনৱেল্থ গেমস ২০১৮ গী ঙসি মরিনিশুবা নুমিৎতা ইন্দিয়াগী পুন্না গোল্ড মেডল ৩ হাপচিনবা ঙমখি। নুপীগী টেবল টেন্নিস টিম্না মমাঙগী চেম্পিয়ন ওইরিবা সিঙ্গাপোরবু মায়থিবা পীদুনা অহানবা ইন্দিয়াগী পুৱারীদা নুপীগী গোল্ড লৌখি। সুট্টিং কম্পিটিসনদা নুপীগী মিটর ১০ গী এয়র পিষ্টোলদা নহা ওইরিবী মনু ভাকরনা গোল্ড ফংখি। অদুগা ৱেঠলিফটিংদা পুনম যাদবনা কেজি ৬৯ গী কেটেগোরিদা ইন্দিয়াগী গোল্ড অমগা লৌবা ঙমখি।

গোল্ড কোষ্টতা লৈবা ওজেনফোর্দ ষ্টেদিয়মদা ঙসি অয়ুক অঙনবদা শান্নখিবা নুপীগী টিমগী টেবল টেন্নিস ফাইনেল মেটচতা ইন্দিয়া অমসুং মমাঙগী চেম্পিয়ন সিঙ্গাপোর লম্বা তৌনবদা মেটচ ৩–১ দা থোইদুনা অহানবা ওইনা কম্মনল্থে গেমসকী গোল্ড মেডল ফংবা ঙমখিবনি।

পনবা য়াবদি সেমি ফাইনেলদা ইন্দিয়ানা ইংলেন্দগী টিম্না মেটচ ৩–০ দা থোইদুনা ফাইনেল য়ৌরকপনি। অমরোমদা সিঙ্গাপোরনা য়ুম্বু ওষ্ট্রেলিয়াবু মেটচ ৩–০ দা থোইরমখি।

ঙসি ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী সিঙ্গলসকী মেটচ শান্নরকপদা মনিকা বত্রনা সিঙ্গাপোরগী টিয়ান ৱৈ ফেংবু গেম ৫ চঙনা শান্নরগা ৪–১ দা থোইখি। অহানবা গেম মনিকা বত্রনা ১১–৯ দা থোইখি। অনীশুবা গেম অদুদা টিয়ান ৱৈ ফেংনা ১১–৮ দা থোইদুনা গেম অমমম মান্নখি।

অহুমশুবা গেম ইন্দিয়াগী মনিকানা ১১–৭ দা থোইরবা মতুং ৪শুবা গেম অদুসু মহাক্না সিঙ্গাপোরগী টিয়ান ৱৈ ফেংবু ১১–৯ দা থোইদুনা গেম ৩–১ দা মাঙজিল থারবা মতুং ৫শুবা গেম অদুসু ১১–৭ দা থোইদুনা মায় পাকখি।

অনীশুবা সিঙ্গলস মেটচতা ইন্দিয়াগী মাধুরিকা পাটকর সিঙ্গাপোরগী মেংয়ু য়ুগী মখূত্তা গেম ০–৩ দা ১১–১৩, ২–১১, ৬–১১ দা মায়থিবা নংখি।

অহুমশুবা মেটচ অদুগী দবলসকী লম্বা ওইখি। মদুদা ইন্দিয়াগী মোমা দাস অমসুং মাধুরিকা পাটকরনা সিঙ্গাপোরগী য়িহাং ঝৌ অমসুং মেংয়ু য়ুবু ১১–৭, ১১–৬, ৮–১১, ১১–৭ দা থোইদুনা মেটচ ২–১ দা মাঙজিল থারবা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী রিভর্স সিঙ্গলসকী মেটচ অমদা হান্নসু মায় পাকখ্রবা মনিকা বত্রনা সিঙ্গাপোরগী য়িহান ঝৌবু ১১–৭, ১১–৪, ১১–৭ দা থোইদুনা কম্মনৱেল্থ গেমসকী নুপীগী টেবল টেন্নিসকী গোল্ড মেডল অহানবা ওইনা লৌবা ঙমখি।

ইভেন্ট অদুগী ব্রোঞ্জ মেডল অদুনা ইংলেন্দনা য়ুম্বু ওষ্ট্রেলিয়াবু মেটচ ৩–০ দা থোইরগা লৌখি।

ঙসি পাঙথোকখিবা নুপীগী মিটর ১০ গী এয়র পিষ্টোল ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী চহী ১৬ তা ঙাইরিবী সুট্টর মনু ভাকরনা গোল্ড অদুগা এক্সপরিয়েন্স লৈরবী হিনা সিধুনা সিলভর ফংখি।

ইভেন্ট অদুগী ক্বালিফায়িং রাউন্দদা মনু ভাকর অমসুং হিনা সিধুনা মকোক মথং তাদুনা লাকখিবনি। ভাকরনা অপুনবা পোইন্ট ৪০০ লৈবগী মনুংদা পোইন্ট ৩৮৮ ফংদুনা অনৌবা গেমস অসিগী রেকোর্দ অমসু থম্বা ঙমখি।

সিধুনা ক্বালিফায়িং রাউন্দদা পোইন্ট ৩৭৯ ফংখি। ফাইনেলদা মনু ভাকরনা পুন্না পোইন্ট ২৪০.৯ ফংদুনা অমুক্কসু গেমসকী রেকোর্দ অমা থমদুনা গোল্ড অদু লৌখিবনি।

ইন্দিয়াগী অতোপ্পা সুট্টর হিনা সিধু ফাইনেল অদুদা ৬শুবা পোজিসনদা লৈরম্বদগী ফজবা ঙম্লক্তুনা পুন্না পোইন্ট ২৩৪ ফংলগা সিলভর মেডল অদু লৌখি।

ইভেন্ট অদুগী ব্রোঞ্জ মেডল অদুনা ওষ্ট্রেলিয়াগী সুট্টর এলিনা গালিয়াবোটভিসনা ক্বালিফাইয়িংদা ৩৭৬ অদুগা ফাইনেলদা ২১৪.৯ ফংলগা লৌখিবনি।

নুপাগী মিটর ১০ গী এয়র রাইফল ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী সুট্টর রবি কুমারনা ব্রোঞ্জ মেডল অদু ফংখি। মহাক্না ফাইনেলদা পোইন্ট ২২৪.১ কাপখি। গোল্ড মেডল অদুনা য়ুম্বু ওষ্ট্রেলিয়াগী সুট্টর দেম সেমসননা ফাইনেলদা ২৪৫ ফংলগা লৌখিবনি। অদুগা বাংলাদেশকী সুট্টর আব্দুল্লা হেল বাকিনা ২৪৪.৭ ফংলগা সিলভর লৌখি। হায়রিবা ইভেন্ট অদুগী ক্বালিফায়িংদদি ৬শুবা পোজিসন তাখিবা দিপক কুমারনা মকোক ওইদুনা লাকখিবনি। অদুগা রবি কুমারনা অনীশুবা পোজিসনদা ফাইনেল য়ৌরকখিবনি।

ঙসি ইন্দিয়ানা ফংখিবা অহুমশুবা গোল্ড মেডল অদু ৱেঠলিফটিংদনি। নুপীগী কেজি ৬৯ গী ইভেন্টতা পুনম যাদবনা স্নেটচতা কেজি ১০০ অদুগা ক্লিন এন্দ জর্কতা কেজি ১২২ পুন্না কেজি ২২২ থাঙৎতুনা গোল্ড মেডল অদু মহাক্না ফংখি। পুনমনা ঙসি ফংখিবা গোল্ড অদু ইন্দিয়াগী ওইনা ৱেঠলিফটিংদা ৫শুবা গোল্ড মেডলনি।

ইভেন্ট অদুগী সিলভর মেডল অদু ইংলেন্দগী লিফটর সারা দেবিসনা স্নেটচতা কেজি ৯৫ অমসুং ক্লিন এন্দ জর্কতা কেজি ১২২ থাঙ্গৎতুনা পুন্না কেজি ২১৭ তা মেডল অদু ফংখিবনি। ব্রোঞ্জ মেডল অদুনা ফিজিগী ভাইভাইনা স্নেটচতা কেজি ১০০ অমসুং ক্লিন এন্দ জর্কতা কেজি ১১৬ পুন্না কেজি ২১৬ থাঙ্গৎলগা লৌখি।

পনবা য়াবদি পুনমনা মমাঙগী ২০১৪ গ্লাসগো কম্মনৱেল্থ গেমসকী ইভেন্ট অদুমক্তদা ব্রোঞ্জ মেডল ফংখিবনি। মদুগী মতুং কুমজা ২০১৫ দা পুনমনা কম্মনৱেল্থ য়ুথ, জুনিয়র এন্দ সেনিয়র চেম্পিয়নসিপ্তা সেনিয়র অমসুং জুনিয়রগী গোল্ড মেডল ২ ফংখি।

ৱেঠলিফটিংদা ইন্দিয়াগী নুপাগী লিফটর বিকাস থাকুরনা কেজি ৯৪ কাঙলুপ্তা ব্রোঞ্জ লৌখি। মহাক্না স্নেটচতা কেজি ১৫৯ অদুগা ক্লিন এন্দ জর্কতা শুপ্নগী কেজি ১৫৯ খক থাঙ্গৎখিবদগী অপুনবা ৱেঠ ৩৫১ দা ব্রোঞ্জ ফংহৌবনি।

ইভেন্ট অদুগী গোল্ড মেডল অদুনা পাপুৱা ন্যু গিনিগী ষ্টিভন কারিনা কেজি ৩৭০ থাঙ্গৎতুনা ফংখি। অদুগা সিলভর অদুনা কানাদাগী বোদি সান্টাভিনা কেজি ৩৬৯ থাঙ্গৎলগা লৌখিবনি।

*বেদমিন্টনঃ–*

বেদমিন্টনগী মিক্স টিমগী ওইনা ঙসি কারারা স্পোর্টস এরেনাদা সিঙ্গাপোরগা সেমি ফাইনেল শান্নবা অদু মায় পাক্তুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

সেমি ফাইনেল অদুগী অহানবা মেটচ মিক্স দবলসকী মায়কৈদা ইন্দিয়াগী এস রানকি রেদ্দি অমসুং আশ্বিনি পোনাপ্পানা সিঙ্গাপোরগী য়োং কাই টেরি অমসুং জিয়া য়িং খৃষ্টেলবু ২২–২০, ২১–১৯ দা থোইখি। অনীশুবা মেটচ নুপাগী সিঙ্গলসতা ইন্দিয়াগী কিদম্বি শ্রিকান্থনা কিন য়ু লোবু ২১–১৭, ২১–১৪ দা থোইদুনা মেটচ ২–০ দা মাঙজিল থাখি।

অহুমশুবা মেটচ অদু নুপাগী দবলসকী ওইখি। মদুদা ইন্দিয়াগী এস রানকি রেদ্দি অমসুং চন্দ্রশেখর সেথি সিঙ্গাপোরগী পেয়রদা ২১–১৭, ১৯–২১, ১২–২১ দা মায়থিখি। অদুগা ৪শুবা মেটচতা নুপীগী সিঙ্গলস লম্বাদা ইন্দিয়াগী সাইনা নেহৱালনা জিয়া মিন য়িওবু ২১–৮, ২১–৫ দা থোইদুনা মেটচ ৩–১ দা সেমি ফাইনেল অদু মায় পাক্লগা ফাইনেলদা ইংলেন্দবু ৩–০ দা থোইরম্বা মালেসিয়াগা লম্বা তৌনরগনি।

*হোক্কিঃ–*

ইন্দিয়াগী নুপীগী হোক্কি টিমনা ঙসি শান্নখিবা পুল 'এ'গী ৩শুবা লিগ মেটচ অমদা ইংলেন্দবু পাঞ্জল ২–১দা মায়থিবা পীদুনা সেমিফাইনেল য়ৌবগী আশা থম্বা ঙল্লি।

মেটচ অদুগী অহৌবা মিনটতা ইংলেন্দগী শান্নরেই এ দেন্সননা পাঞ্জল অমা চন্দুনা মেটচ অদুগী পাঞ্জল ১–০দা হেন্দুনা লৈখি। অহুমশুবা ক্বার্টরদা ইন্দিয়াগী নৱনিট কোরনা য়াম্না ফজবা ফিল্ড গোল অমা চন্দুনা ১–১দা লৈখি।

অহুমশুবা ক্বার্টর অদুগী হৌরকপদা ইন্দিয়ানা পুশিল্লকপা বোল অমা পেনাল্টি ষ্ট্রোক ফংখি। খুদোংচাবা অদু ইন্দিয়াগী গুর্জিৎ কোরনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা ইন্দিয়ানা ইংলেন্দবু ২–১দা হেন্দুনা লৈখি।

মখা তারকপা মতমদা টিম অনীম্মক অহেনবা পাঞ্জল লৈখিদবদগী ইন্দিয়া মায়পাক্তুনা সেমিফাইনেল য়ৌবা য়াবগী তাঞ্জা অমা শেন্বা ঙমখি। পুল 'এ'দা ইন্দিয়া মেটচ ৩দা পোইন্ট ৬ ফংদুনা ইংলেন্দগী মতুংদা পোইন্ট মান্নরবসু গোল স্কোরদা হেনবদগী অনীশুবদা লৈরিবনি।

এপ্রিল ১০দা ইন্দিয়ানা সাউথ অফ্রিকাগা শান্নগদবা অরোইবা লিগ মেটচ অদু মায়পাক্লবদি সেমিফাইনেল য়ৌগদৌরিবনি। মায়থিবা নৎত্রগা দ্রো চৎলবদি খুদোংচাবা লৈরোইদৌরিবনি।

নুপাগী কাঙলুপ্তা ইন্দিয়ানা ৱেল্সপু পাঞ্জল ৪–৩ দা মায়থিবা পীখি। মথংগী মেটচ ইন্দিয়ানা মালেসিয়াগা গ্রুপ 'বি' গী লম্বা তৌনগদৌরি। অহানবা মেটচ ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্থান পাঞ্জল ২–২ দা দ্রো চৎখিবনি।



*নুপীগী টেবল টেন্নিস টিম ইভেন্টতা সিঙ্গাপোরবু মায়থিবা পীদুনা গোল্ড মেডল ফংখ্রবা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিং*





### Commonwealth Games 2018 Medal Tally

| Rank | Country | G | S | B | T |
|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Australia | 31 | 25 | 28 | 84 |
| 2 | England | 19 | 19 | 9 | 47 |
| 3 | Canada | 7 | 15 | 10 | 32 |
| 4 | India | 7 | 2 | 3 | 12 |
| 5 | Scotland | 6 | 7 | 10 | 23 |
| 6 | New Zealand | 4 | 7 | 6 | 17 |
| 7 | South Africa | 4 | 1 | 4 | 9 |
| 8 | Wales | 3 | 4 | 3 | 10 |
| 9 | Cyprus | 2 | 0 | 2 | 4 |
| 10 | Malaysia | 2 | 0 | 1 | 3 |
| 11 | PNG | 1 | 2 | 0 | 3 |
| 12 | Bermuda | 1 | 0 | 0 | 1 |
| | Northern Ireland | 1 | 0 | 0 | 1 |
| | Uganda | 1 | 0 | 0 | 1 |
| 15 | Sri Lanka | 0 | 1 | 2 | 3 |
| 16 | Bangladesh | 0 | 1 | 0 | 1 |
| | Jamaica | 0 | 1 | 0 | 1 |
| | Mauritius | 0 | 1 | 0 | 1 |
| | Samoa | 0 | 1 | 0 | 1 |
| | Singapore | 0 | 1 | 0 | 1 |
| | Trinidad & Tobago | 0 | 1 | 0 | 1 |
| 22 | Kenya | 0 | 0 | 2 | 2 |
| 23 | Fiji | 0 | 0 | 1 | 1 |
| | Norfolk Island | 0 | 0 | 1 | 1 |
| | Pakistan | 0 | 0 | 1 | 1 |
| | Solomon Islands | 0 | 0 | 1 | 1 |

## মোন্টেরি ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা টিমিয়া বাবোস অমসুং গার্বিন মুগুরুজা লম্বা তৌনরগনি



*মোন্টেরি, এপ্রিল ০৮ঃ*

মেক্সিকোগী সিটি মোন্টেরিদা চখরিবা মোন্টেরি ওপন দব্লিয়ুটিএ টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা ৪শুবা সিদেদ হঙ্গেরিগী টিমিয়া বাবোস অমসুং অহানবা সিদেদ শান্নরোই স্পেনগী গার্বিন মুগুরুজা লম্বা তৌনরগনি।

স্পেনগী গার্বিন মুগুরুজানা ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা মহাক্কী সেমি ফাইনেল মেটচতা রোমানিয়াগী অনা বোগদানবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা মায়থিবা পীরম্বনি।

সেমি ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা সেট অদুদা মুগুরুজানা বোগদানগী সার্ভিস গেম অহুমক ব্রেক তৌখিবা অমদি মশাগী সার্ভিস গেমশিং হোল্ড তৌবা ঙমখিবদগী ৬–০ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি।

সেট অমা শোন্থরবা বোগদাননা অনীশুবা সেট অদুনা য়াম্না লম্বা মান্ননা শান্নরকপদগী শান্নরোই অনীমক গেম ৫–৫ থোইনদুনা লৈখি। অদুবু এক্সপরিয়েন্স হেল্লবী স্পেনগী গার্বিন মুগুরুজানা থংনবা গেম অদু থোইদুনা ৭–৫ দা হেন্দুনা সেমি ফাইনেল মেটচ অদু মায় পাক্তুনা মোন্টেরি ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৪শুবা সিদেদ শান্নরোই হঙ্গেরিগী টিমিয়া বাবোসনা ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা মহাক্কী সেমি ফাইনেল মেটচতা য়ুএসএগী বোৱানা ভিকরিবু ১–৬, ৬–২, ৬–২ দা থোইদুনা ফাইনেলদা স্পেনগী মুগুরুজাগা লম্বা তৌনগদৌরিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী দবলসকী ফাইনেলদা য়ুএসএগী দি ক্রোজিক অমদি কানাদাগী জি ওইমোসকী পেয়রগা স্পেনগী জি সোর্ভিস টোরমো অমদি গ্রেট বৃটেনগী এন ব্রোদিগা লম্বা তৌনরগনি।

ওইমোস অমসুং ক্রোজিকনা মখোয়গী সেমি ফাইনেলদা জেক রিপব্লিককী সাভিনিক অমসুং সুসকোভাবু সেট ২–১ দা থোইরমখি অমসুং ব্রোদি অমসুং টোরমোনা কলম্বিয়াগী দোকুৱা মারিক অমসুং রুশিয়াগী ই রোদিনাবু ৬–২, ৬–১ দা থোইরমখি।

## বালা অমসুং রতনবালাগী পাঞ্জল ৪ /৪ না ইন্দিরা গান্ধী এএস এন্দ ই বু পাঞ্জল ১০–১ দা থোইখ্রে, ইএসয়ু দ্রো চৎখ্রে

*শিল্লং, এপ্রিল ০৮ঃ*

হিরো ইন্দিয়ান ৱুমেন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী অনীশুবা সিজনগী ঙসি শিল্লংদা লৈবা জৱাহরলাল নেহরু ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা মণিপুরগী ক্লব ক্রিপ্সাগী বালা অমসুং রতনবালা দেবীনা চনখিবা পাঞ্জল ৪ / ৪ গী মতেংনা পুদুচেরিগী ক্লব ইন্দিরা গান্ধী একাদেমী ফোর স্পোর্টস এন্দ ইদুকেসনবু পাঞ্জল ১০–১ দা চাওনা মায়থিবা পীখ্রে। মণিপুরগী অতোপ্পা ক্লব মমাঙগী চেম্পিয়ন ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন তামিল নাদুগী সেথু এফসিগা পাঞ্জল ১–১ দা দ্রো চৎখ্রে।

ক্রিপ্সা অমসুং ইন্দিরা গান্ধী একাদেমী ফোর স্পোর্টস এন্দ ইদুকেসনগী টিমগী মেটচ অদুগী হৌরকপদগী হৌনা ক্রিপ্সানা খুদুম চনখি। অনীশুবা মিনটতা টিম অদুগী গ্রেসনা অহানবা পাঞ্জল চনখি। মহাক্কী মতুং শান্নবগী ১৭শুবা মিনটতা বালানা পাঞ্জল অমগা হাপচিনখি।

অহানবা হাল্ফ লোইগদবা মিনট ১০ ৱাংলিঙৈদা রতনবালা দেবীনা পাঞ্জল অমগা চনশিনখি। মহাক্না হাল্ফ অদুগী ইনজুরি টাইমদা পাঞ্জল অমগা হাপচিন্দুনা ইন্দিরা গান্ধী একাদেমী ফোর স্পোর্টস এন্দ ইদুকেসনবু ক্রিপ্সানা পাঞ্জল ৪–০ দা মাঙজিল থারগা লৈখি।

হাল্ফ মতুংগী মিনট ২ চঙশিল্লকপদা টিমগী ৫শুবা পাঞ্জল চনখি। ইন্দিরা গান্ধী একাদেমী ফোর স্পোর্টস এন্দ ইদুকেসনকী মায়কৈদগী প্রদিপা সেকরনা ৬৩শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা চনখি। মহাক্কী পাঞ্জল অদুগী মতুং মিনট অমা লৈরগা রতনবালানা মহাক্কী হেটট্রিক্কী পাঞ্জল অদু চনখি। গ্রেসনা ৬৬শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমগা চনখি। ৬৯শুবা মিনটতা রতনবালানা মহাক্কী ৪শুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা ক্রিপ্সাগী অপুনবা পাঞ্জল ৮ শুখি। মেটচকী ৭৩শুবা মিনটতা বালাগী হেটট্রিক ফংখি। লোয়ননা শান্নবগী ৮৯শুবা মিনটতা বালানা মহাক্কী ৪শুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা ইন্দিরা গান্ধী একাদেমী ফোর স্পোর্টস এন্দ ইদুকেসনবু পাঞ্জল ১০–১ দা মায়থিবা পীখি।

ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা মমাঙগী চেম্পিয়ন ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ননা সেথুগা শান্নবদা পাঞ্জল ১–১ দা দ্রো চৎখি। অহানবা পাঞ্জল শান্নবগী ৫শুবা মিনটতা ইএসয়ুগী রঞ্জিবালা দেবীনা চনখি। ইক্বেলাইজর অদু ১৪শুবা মিনটতা সেথু এফসিগী ইন্দুমার্টিনা চনখি।

## বেয়র্ন ম্যুনিক ফুটবোল ক্লবনা জর্মনিগী নম্বর ৱান লীগ টুর্নামেন্ট বুন্দেসলীগাগা টাইটল থংন–থংননা ৬লক লৌবা ঙমখ্রে



*বর্লিন, এপ্রিল ০৮ঃ*

জর্মনিগী ফুটবোল ক্লবশিংগী ওইবা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্ট বুন্দেসলীগাগী ২৯শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা বেয়র্ন ম্যুনিক্না ওগসবর্গপু পাঞ্জল ৪–১ দা মায়থিবা পীদুনা টাইটল থংন–থংননা ৬লক লৌবা ঙমখ্রে।

লীগ অসি পুন্না রাউন্দ ৩৪ শান্নগদবনি। অদুবু ২৯শুবা রাউন্দদা বেয়র্ন ম্যুনিক্না পোইন্ট ৭২ ফংদুনা লৈখিবদগী মখোয়গা খ্বাইদগী নক্নুনা লৈরিবা পোইন্ট ৫২ ফংলিবা সাল্কে ০৪ না মখা তাবা মেটচ ৫ মক মায় পাক্লবসু পোইন্ট ১৫ ফংলগা অপুনবা পোইন্ট ৬৮ দা লৈগদবা মরম্না লীগ টুর্নামেন্ট অসিগী লোইদ্রিঙৈদা টাইটল অদু বেয়র্ন ম্যুনিক্না লৌখিবনি।

হন্দক্কী টাইটল অসি থারগা বুন্দেসলীগাগী পুৱারীদা বেয়র্ন ম্যুনিক্না টাইটল অসি ২৮ লক লৌবা ঙল্লি।

ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল ওগসবর্গকী মায়কৈদগী পুশিল্লকপা এটেক অমদা শান্নবগী ১৮শুবা মিনটতা বেয়র্ন ম্যুনিক্কী দিফেন্দর অমদগী খেৎলগা চঙশিনজখিবা বোলনা ওইখিবনি।

ইক্বেলাইজর অদু শান্নবগী ৩২শুবা মিনটতা বেয়র্ন ম্যুনিক্কী মায়কৈদগী কোরেন্টিন টোলিসোনা চনখি। মখা তানা এটেক তৌবা হেঞ্জিল্লকখিবা বেয়র্ন ম্যুনিক্না শান্নবগী ৩৮শুবা মিনটতা হান্না স্পেনগী রিয়েল মাদ্রিদতা শান্নরম্বা জেমস রোদ্রিগেজনা পাঞ্জল অমগা হাপচিনখি। মহাক্কী পাঞ্জল অদুনা অহানবা হাল্ফ অদুদা বেয়র্ন ম্যুনিক্না ওগসবর্গপু পাঞ্জল ২–১ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা পুংখাই ফাদ্রিঙৈদা বেয়র্ন ম্যুনিক্কী এক্সপরিয়েন্স লৈরবা শান্নরোই অরজেন রোবেননা মহাক্কী টিম অদুগী অপুনবা পাঞ্জল অহুম শুহনখি।

মেটচ অদু শান্নবা লোইগদবা মিনট ৩ ৱাংলিঙৈদা বেয়র্ন ম্যুনিক্কী মায়কৈদগী সান্দ্রো ৱেগনরনা পাঞ্জল অমগা হাপচিন্দুনা ওগসবর্গপু পাঞ্জল ৪–১ দা মায়থিবা পীখিবনি।

সাল্কে ০৪ ঙরাং অঙনবদা শান্নখিবা মেটচ অমদা হেমবরগর এসভিগী মখূত্তা পাঞ্জল ২–৩ দা মায়থিবা নংখিবদগী বেয়র্ন ম্যুনিক্না ঙরাং মায় পাক্লগা লীগ টাইটল অদু লৌখিবনি।